www.sanaleibak.in

# SANALEIBAK সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM


24 Carat/g : ₹ 15,189 | 22 Carat/g : ₹ 13,916 | 1 Kg Silver : ₹ 2,34,886 | 10 Gram Silver : ₹ 2,639 | WEATHER: Light Rain | Temperature 28/22°C | Sunrise: 04:56 AM | Sunset : 05:29 PM | Petrol : ₹ 106.87 | Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Page 5 | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 266 | IMPHAL, SUNDAY, SEPTEMBER 6, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | নোংমাইজিং, থৱানগী ২৫ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50



**SIR**
SPECIAL INTENSIVE REVISION 2026

Chief Electoral Officer Manipur




# ARE YOU?

## FINAL ELECTORAL ROLL




**The Final Electoral Roll will be available:**

- through the **BLOs**
- on the **www.ceomanipur.nic.in**

**If Your Name Is Still Not Included?**

You may file an appeal before
the **District Election Officer (DEO)**
of the concerned district.

*Check your name. Exercise your right to vote.*

For more information, contact your **BLO** or call **1950**

**Chief Electoral Officer, Manipur** www.ceomanipur.nic.in | Follow us on:

# ফল তাদ্রবা য়েন্নবা অঙ্ক

## ৱারীমচা

### মাইবম নবকিশ্বর

ইবেথোই মদাও য়ারিবী নুপীনি। মশাসু নহানি মচা অনীতা মঙায়রি। মচা অহলদু চহী অহুম মরি শুরে, নিপানি। অমদুনা নুপীনি। ইবেথোই মশক্কে মনৌনে কুইনা থবক তৌবা নিপা থিরকপদা তাল চারুবদগী ওজা কুল্লা থেংনরুবনি। কুল্লসু মাগী লোয়নবীগী মশক–মতৌদা পৈঞ্জে, মচীন্দি থোক্তে, মপূক্তদি খল্লি–‘ঐগী নুপীনা লৈকাইসিগী লুহোংবদা অপোকপা পুদনা কনানা পুগনি।’ কুল্লনা পাম্মুদুনা ইবেথোই কৌবদা অমুক্তা মমিং মপূং ফানা কৌদে। নোংমনা ‘ইবে’ নোংমনা ‘থোই’ কৌই। অনীমক নুংসু নুংশিনৈ মচা নাউরোন অনী শুরবা ফাওবা ৱারীদি অরোইবা লৈতে, খজিক চীকপদা হেক্তা শানৈ। অমনা অমবু থাসু থাদোক্লদে, চাউশেন শেন্নে–স্কুল থেঙলকপা য়াদে ইবেথোইনা, লাপ্পা ঈশিং শোকপা য়াদে কুল্লনা। হেক্তা খৎনৈ, লৈত–লায়রগী শুক্রুৎ নত্তে।

ময়াম্বগা মতৈমগা অনীসু মখোয়গী মতৌ য়েংলগা পৈঞ্জে, অনৌবা ৱাখল পোকচৈ। লায়রবগী হায়রুবদি, অনীসি লৌমীনি, লাইরিক–লাইশুগী মঙাল ফংহৌদ্রবা শুক–নোমজবতনা মশিঞ্জাং ওইরগা পাঞ্জরিবনি। মখোয়গী ৱারীদি মরেক–মহাও য়াওদ্রবা ৱারী ঙাক্লি। মতৈমনা হংগনি–“‘মোই’তামোনা লাইরিক–লাইশু তমহৌদ্রিবা করিগীনো? ননাওনা তম্মিবা অসুন্না তমহৌরবদি ঐসু তলব চাবগী নুপীনি হায়দুনা পোৎতা শোৎলবসু লেমগদববা।”

ৱাহংসিগী পাউখুম ময়াম্বনা পাক খুমদে। থম্মোয় শোক্না কপ্পগা খুল্লক্কনি–‘ইনাওসিদি মরায়বক থীরবনি। ইমা ইপা মশক খঙহৌদ্রবনি। শিরমদাইদা ইমা ইপানা নখোয় অনীগী মনুংদা অমত্তা ওইরবসু মীমাঙ থোকপা ঢন্নবা শেন্নীংবনি অদুবু ঙমদ্রেকো’ হায়দুনা বিধিবু নিন্দা তৌরগা সংসারদগী বিদায় লৌখিবনি। ঐসু অঙাং ওইনা ইমা ইপাগী নীংবা থুংহনগে খনখি। ময়াম্বা অমা ওইনা ইনাওসি মী ওইনবা শেমগে খন্দুনা ইমান্নবনা লাইরিক তম্বা চৎপা কালদা ঐনা থরোই খুনখি, কৌখা–কাউথুম তানখি অসুন্না ৱানা লাইরিক তমহনখি, ওজা ওইহনখি। হন্দক অমুক বি এদ পাস তৌরে, হৌজিক্তি ঐ কয়াদা নুংঙাইরবা।

মতৈমনা হায়রকই, “হোয়, নুংঙাইববুদি ঐসু য়াওরিবনি। ইনাওনুপীসিগী মশক–মতৌ, মীকৌ–মীরম কয়াদি ফৈ। মবুকচেলসিনা মরোল অমা ফরিবা নোংমফাদোক থবক্কা চৎমিন্নবদা মশকসিনা থেংনবা মখেনা লৈশাবীরা হংবদা চীনসি খুন্বা ঙস্বা নত্তে। ঐনা ইনাওনি হায়দুনা লেমজরিবনি। মায় তামোবুনা কয়া লুনা কিনা তৌজে পোকমিন্নবা মবুংদা মবুংদু ঙায়। নোংমগী হাউবা হাউতবা মতৈগী এন্সাং মথেল অমত্তা ওইরবসু থিল্লক্তবা য়াওদে।”

“অদুবুদি নুপী, ইনাও কুল্লসিনা খঙঙি; ঐনা পূন্নমক শেল্লকপনি হায়বা অদুনা ওইরম্বা য়াই। নুপীসিদি নুপা–নুপাগী মখাসু য়ান্না পোল্লি, চৎলু, লেপ্পু য়োৎচৈ কানবা য়াদে খঙহনবদা অদুম চৎচবসু কোঙ্গায়নি।”

নোংমগী অয়ুক্কি, ইবেথোই চাক থোংনবগী মাগী মোজাফুরিৎ অঙাংবদু লৌথোক্লবা চিংখৎ চিংখৎনা নোকমি নোকমি হায়রকই, তামোখোয় হন্দক বি এদ পাস তৌখিঙৈদগী মচাকাসি লাইরিক তাকপিবগী ৱা লৈত্রে। ওজা ওইরুবনিনা ছাত্রি ওজা থেংনরক্লবরা খঙদে স্কুল থৱায় য়াওখৎলকইকো, ঙসি ঙরাংসি চাক ঙন্দে, স্কুল থেঙলেদা মহায়খ্রে।”

মমৈগী কোচি থাংবা ৱাহৈ খরা অসিনা কুল্লগী শাজৎ খঙলকপগুম তৌবসিদা কুল্লা থীনা চৈরগে হায়দুনা খবর পারম্বদগী মমায় খংহাই হাইগৎলকপদা ইবেথোইদু, মোজাফুরিৎ অঙাংবদু লৌথোকপা লোইরমদ্রি, না তংখায়, খজাই ময়াইগী শন্দ্রদু য়ৌনা চিংখৎলম্বদা মঙায়রি, মচা অতোম্বীদুনা মমাগী ফিজি ফিমাঙদু চিংদুনা নিংঙাই তৌরমই। কুল্লা করি উরু–খল্লুরবনো খঙদে থুনা হনখ্রে শাউবা, শৌগৎলকপদা ঈশিং হৈজিনখিবদু মঙায়। নুপীদা শাউগে তৌরম্বদু মচাদা ওন্থরকই।

মচা বোচা খোঞ্জেল হৌনা কৌরকই, “বোচা, বোচা করি য়েংলিবগে, নঙ লাইরিক তৌরব্রা। লাকও, লাকওনে করি য়েংলিবগে নমা য়েংলিব্রা?”

বোচানা মার্বলদু থুনা লৌশিল্লগা খুল্লকই, “বাবাসু মমা য়েংলিবদুনি।”

ইবেথোই নোকফেৎ তৌরগা কুল্লদা য়েংলমই। কুল্লা খংশাউ শাউরকই, “বোচা, বোচা নঙ চৈ চাবা তারে।”

মচানিপা বোচাদু মপাগী খুৎকৌদুদা পেহৌ পেহৌ চঙলকই। কুল্লনা হংলকই, “ঐনা চখোকখ্রিঙৈদো নমানা লাইরিক তম্বিদ্রা?”

বোচানা খুল্লকই, “তম্বিদে।”

“ফরে বাবানা বি এদতা তম্লকপা নিয়মগী মতুংইন্না তাকথরগা মরাইনা খঙজনি। অঙ্ক তিনশিনবদি হৈরব্রা বোচা?”

“হৈতে। ফরে তম্বিরগে।”

মনাক্তগী কাংগ্রুশিংদু লৌশিল্লি। অমমমতা ওইনা মশীং থী।

“অমা, অনী, অহুম। অহুমনিকো। অহুমদু ইরো।”

“ইরে বাবা।”

“নঙগী কাংগ্রে অতৈ লৈরিব্রা?”

“লৈরি।”

“অদুদি পুথোক্লকও।”

বোচা ফুরিৎখাউদগী লৌথোক্লগা মপাদা পী।

মপানা হায়রকই, “অনীনিকো। অনীসি অহুমগী মখাদা ইরসি, চৈখে অনী চিংলো তিনশিল্লসি। কয়া তারে বোচা?”

বোচানা চৈখে মশীং থীরগা হায়রকই, “অমা, অনী, অহুম মঙা তারে বাবা।”

মপানা হায়রকই, “বোচা নঙগী লৈজবা কাংগ্রু মঙাখক্তনিকো চুম্মেকো।”

বোচা ঙাইহাক খল্লগা খুল্লকই, “বাবা লাল্লি। ঐগী কাংগ্রু লৈরি।”

বোচা চেন্থোকখি। মখাথংগী ননাওগী মখূৎতগী কাংগ্রু মুল্লুরে। মমাবোক্লা অঙাংনি পায়জরসনু কোন্না পীরক্কে হায়। বোচানা “ঐগীনি বাবানা থিরক্লো লৌরুচো হায়রকই” হায়দুনা মুল্লি। ননাও কপহৌই। মুল্লুবা কাংগ্রু অনীদু বোচানা মপাদা পী। মপাদু কদায়দগী কাংগ্রুনো থিরুদে অঙ্কদা লুপ্পি। মপানা ঙসাইগী মঙাগী মখাদা অনী অমুক ইরগা বোচাবু তিনশিলহল্লি।

“কয়া তারে বোচা।”

“তরেৎ।”

মতৈমদু মচা ননাওগী কাংগ্রু বোচানা মুনখিবগী কপ্পা থেম্বোইনা য়েনখাদা লেপ্লে। মপা মচা ঙাঙনবদু তায়।

“বোচা খঙঙোকো, নঙগী মঙা লৈরম্বদগী হৌজিক অনী তিনশিল্লবদি তরেৎ শুই। তিনশিনবা হায়বসিদি য়ামখৎলকই। য়াল্লবদি ফরেদনা। তিনশিন্দ্রবদি, হাপচন্দ্রবদি য়ামখৎলোই। মীঙোন্দগী ওইরবসু নঙগীদি তিনশিল্লবনিনা য়াম্মিবদুনি।”

“উম! বাবা য়াম্বনা ফৈকো। হৌজিক ঐগী য়াম্লে, তরেৎ শুরে।”

“হোয় হোয়, ইচাগী তরেৎ শুরে য়াম্লে থমজিল্লুরো। মমা চাক লোইরল্লগনি চারুরো।”

অসুন্না নোংমা নীনী মচাদু কুল্লনা তিনশিনবা তম্বি। ননাওদগী কাংগ্রু হেক হেক মুল্লি। কাংগ্রু তিনশিনবা হৈবদগী বোচা হৌজিক্তি মমাবোকখোয়দা মখোয়গী করিগুম্বা পোৎ অমত্তা লৈবা উবা য়াদ্রে পংলৌদা লৌশিল্লি, মখোয়গীনি হায়দুনা পুংতিন্দা তিনশিল্লি।

নোংমা অমুক কুল্লনা মচা বোচা কৌরগা হংই, “বোচা হৌজিক্তি তিনশিনবা হৈরবনিনা খাইদোকপা অমুক তম্বিরগে। নঙগী ফুরিৎখাউদগী মার্বলদু কয়ানো?”

বোচানা মশীং থীরগা খুম্মি, “তরামঙানি।”

কুল্লনা তরা লৌথোক্লে অদুগা হংই, “অরেম্বদু কয়ানো?”

“মঙানি।”

অঙ্কসি মপানা মচাদা লৈই চিংলগা কক কক্তুনা তাকপিবনি। অকোনবদা মপানা মাগী মার্বল মঙাদুগা লৌথোক্লগা হংই, “হৌজিক নঙগী কয়া লৈহৌরি? নঙগী অমত্তা লৈহৌদ্রে নৎত্রা?”

বোচা ৱাখল ঙাইহকা খল্লগা হায়রকই, “লৈহৌরি।”

মপানা শাউনা হংই, “কদায়দগী লৈহৌদৌরিবনো। মসি অঙাংসি অঙ্কদি য়াদৌরিদা। কদায়দা লৈহৌরি বুধু। কদায় য়েংগে থুনা, কদায়নো।”

পেহৌ পেহৌ হৌগৎলগা চৎখ্রে। কুল্লনা মমাগী মনাক্তা নিংঙাই তৌবা চৎখ্রগুম নীংই।

য়েনখাদা শান্নদুনা লৈরিবা ননাওদগী মানা ঙরাং পীখিবা মাগী মার্বলদু মুল্লুরে। ৱা–ৱা অমুক কপ্পরে। মমাবোক থোরক্তুনা বোচাদু খম্মি, থেমই। য়াদে বোচা, লোইনা পুখ্রে। “ননাওগী অমত্তা থনম্মু বোচা,” মমাবোক্লা হন্না হন্না হায়রকই।

“য়ারোই য়ারোই বাবানা লৌথোল্লকউ হায়রিবনি। খাইদোকপা য়াদে হায়। পীরোই।”

বোচা চেল্লক্তুনা মপাদা পীরগা হায়রকই, “তো লৈরিসিদি।”

মপানা খল্লি অঙ্কসি য়ারোইদৌরি। অমুক পুরকপদা লৌশল্লগা হায়রকই, “হৌজিক্তি লৈত্রেদনা।”

মুন্না খল্লগা খুল্লকই, “লৈরি।”

মপা শাউরে, তৌফম খঙদ্রে।

“কদায়দা লৈরিবা?” কল্লপ্না খুৎপাক্লা শেৎ থারুরে।

“নমান্নবদগী লৌবসু য়াদে, হৌজিকমক পুথোক্লকউ।”

বোচা ইমুংদা চেনশিনখ্রে। মপা কুল্লনা খল্লি–মমাদা বাবানা ফূই তম্মুদৌগী চঙলিবনি হায়না। বোচা চাকশঙ য়ৌরে। মমাদা মার্বল পীয়ু তক্করুরে। নিংঙাই তৌরে।

হায়ফম–তৌফম খঙদ্রদুনা ইবেথোই মখাথংগী মচে কৌরগা হায়রকই, “ইচে, ননাওদা নহাল পীখিবা মার্বলদু লোইখ্রবরা?”

মচেদু, হৌজিক্তা বোচানা মচাদগী মার্বল মুনখিবগী মপি কংদ্রিঙৈসিদা অমুক্কা হংজল্লকপদুদা, করিনো মখোয়না তৌ–শারিবসিবু খন্দুনা শাউরপ খুল্লকই, “হো ইবেম্মা লৈরগা পীরকপা হায়বদুনি হৌজিক্তি লৈতেকো। শিংনি, শিংনি।”

“হো শিংঙু শিংঙু। ইচাগী মার্বল শিংদবা য়ারোই।”

ইবেথোই ইচম চন্না বোচাদা থেল্লকই, “তো–তো! মমাবোক্লা লৈরগা পীগে হায়রিবসিনি, ঐনসু শিংঙু হায়রি হয়েং শান্নরো।”

বোচা মপাগী মনাক্তা চৎখ্রে। লৈত্রে হায়রুরে।

মপানা হায়রকই, “বোচা, খাইদোকপা হায়বসিদি লৈরম্বদগী লৌথোক্কদবনি। লৌথোক্লবদি ময়েং তাগনি, লৈত্রবদি খাইদোকপা য়াদে। নঙগী লৈজবা মার্বলদু মীঙোন্দা পীথোক্লবদি, খাইদোকখ্রবদি নঙগী ময়েং তারোইদ্রদো বুধু। চৎলো, চৎলো, বাবা স্কুল থেঙখ্রে।”

মতৈমা নুমিৎ খরনিগী মমাঙ কাংগ্রুদগী খরা খরা থনুংদা ওমচাক্লরকপদু মার্বল য়ৌরকপদদি মৈরী থোক্লক্কে। নহানমখৈ মপুরোইবদু থোইনা যৌশারমদে। নুপী মৱা লৌগন্দবা নুপানি। অদুবু নুপীনা তোয়না হায়জিল্লকপা ৱাসিদি শৌজিনবা অমা য়াওরকই। ময়াম্বদু ঙসিদি নুমিৎ মাঙ্গোল ময়ায় য়ৌবদা থবক শূফমদগী হল্লকই। ঙন্না হল্লকপদুদা কুল্লা ইবেথোইদি ইম্ফাল চৎকদবা থবক লৈব্রা নীংই, হংদি হংদে।

ময়াম্বদু থীন্দনা শুমাঙ ময়ায়দা উখুল তৌদুনা শম্বল খাবা হৌরকই। ময়াম্বগী মীৎয়েংদু থম্মোয়দা লৈরিবা অশাওবগী মমি তাই। কুল্লা ইবেথোই পুমঙক ঙকই, চেন্থোরক্তুনা য়েংই। ৱা পাক হায়জবা ঙমদে। মখোয়বু শাউরিবনি হায়বসিদি শম্বলসিনা তাকই।

ঙাইহাক্কী তুংদা কুল্লা ময়াম্বদা নোল্লুক্লা হায়জরকই, “করিনো য়াম্লুং য়াম্লুংনা তৌবিরিবা অসিবু। করি করম্বা ননাওনা কায়খিবা লৈদুনা তৌবিরিবা অঙ্কনো?”

“তিনশিনবা, খাইদোকপা ইনাওদি বি এদনিনা হৈরেদো। নয়াম্বদি লৌমীনিনা য়েন্নবগী অঙ্কসিদমক খঙই। ইপা ইমানা থল্লম্বা ইংখোলসি তং খায়মনা নঙগী, সিনা ইয়াম্বগী শরুক। মসি য়েন্নবগী অঙ্কনি। ইয়াম্বদি চুমদ্রিংনি, সোমদা চঙলক্কনু শোয়ননি।”

কুল্লা স্বর মপী হোল্লি, কদায়দা শোয়খ্রে ঐগী বি এদকী নিয়ম। ইবেথোই কৌথোকই। ময়াম্বা মতৈমা অনীনা শাউখিবগী লংলা–লংজিন পুথোক্লবা ৱা তান্নে। ইবেথোইনা খল্লকই–‘নহাল অঙ্ক তম্বিবদা ননাওদগী বোচানা মার্বল মুল্লুবা মচেনা লৈরগা শিংগে হায়রকপা ইবেথোইনসু মচা থেন্নবা– “শিংঙু শিংঙু” হায়রুবদুদা লান্না খনখিবা ওইরম্বা তারে খল্লে।

কুল্লনা করি তৌসিগে খল্লিঙৈদা ইবেথোইনা হায়রকই, “হো ইচে, মার্বল লৈবা লায়রি। ইতৈনা য়ুংলিবা শম্বল উয়ুংসি ফুকসি লাউ।”

মচা কৌর–কৌরদুনা শম্বল ফুকপা হৌখ্রে। মতৈনা লান্না লৌরুবা, ইচম চমজবা মনাওনুপীগী মবুক ওইরম্বদুদা মতৈদু দারীদা ফল্লগা ইবেথোই য়েংদুনা লৈখ্রে। বোচা ননাও য়েনখাদা মার্বল শান্নরি।

## শৈরেং

### ওজাগী নুমিৎনা লাকপদা

–রন্ধির থিয়াম

ওজাগী নুমিৎতা লাকপসিদা
ওজাশিংবু ইকায় খুম্নবিবা ওইরসনু,
ওজাশিং য়েংশিন্নবা তোল্লুসনু
সেনখায়গী পোৎলুম য়াংলসনু,
ছাত্র–ছাত্রিশিংগী শেম্বিরসনু,
লৌশিংগী পুক্কে হেনগৎলসনু
‘হেপ্পি টিচরস দে’

### নাপু ওইরল্লবদি কো!

–আরকে নরেন্দ্র সিংহ

‘ভেনিস বিএন্নালে’ মিংথোনবা
ইটালিদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী চাউবা
মালেমগী অয়েকপা লাই চাংদম্নবদুদা
চাওতোনগী অয়েকপা লাইদুনা
অহানবা মনা ফংলক্লে।
ৱেলকম হোম ফেষ্টুন পায়দুনা
মীয়াম্না ওকই এয়ারপোর্টতা
বেল খোইই ফোতো নম্মী
লৈ–পরেং হুকই মঙক থুম্ন
পোকপগী মহৈ য়াল্লে খঞ্জে।
গান্ধি মেমোরিয়েল হোলদা শিন্দুনা
মীয়াম য়েংনবা এক্সিবিসন’মা পাঙথোকই
মনা ফংলক্লবা লাইদুগীদমক
আর্টসতা ঙাওজবা মীয়াম্না য়েংজৈ
মকোক তাবা য়াই য়াই হায়নৈ।
মিৎয়েংদুগী ৱাংমদা টাইটলসিনা উৎলিবদি
ফিদোন চিংখৎলগা অচোৎপা ফনেক্লা
সনাবুল’মা য়েপ্লগা খ্বাংদা
কাখৎলকপদা ইরুজরগা তুরেলদগী
ইরৈদুদা লোঞ্জাননা য়েংলিবা মীৎয়েংদুনি।
শিংথানদবা ফুরুপনিনা হায়নৈ
নিঙ ফল্লপ তৌবা মৈতৈ নুপীগী
মমুন ফারবা মচুগুম ফোরেনগী
সনা ইরুগী হকচাংদুসু শেন্নজরিবা
শংবানবা ফনেকশিদং নাপু ওইরল্লদি কো!

### ৱাখল

–থোকচোম রেনু দেবী

মাঙগী পুন্সিনা শাংলবা
তুংগী পুন্সিনা তেল্লবা
খল্লকই পামুইদা মতমদো
খল্ল খল্লগা মতমদো নুংশিরকইদো
নঙসু, মাসু, ঐসু হংউনে পুন্সিদা
করিনো নুংঙাইবা হায়বদো
লৈতবনি নুংঙাইবসু
লৈতবনি অৱাবসু
খল্লুনু পুন্সিদো খঙদনা অদুম চৎখ্রো
লাক্লবদি পুন্সি লম্বেলদো শাংনা অদুম চৎখ্রো।

### লমন

–নিংথেমপিশক ৱাইরোকপা

নৈহৎপিখ্রবী
কনাগুম্বী অমগী পুন্সিবুদি
নঙনা
নাকেন্থাগী
অকংবা লৈরাংনি খন্দুনা
য়েংবা ঙল্লগা
থৌশাদবা মীকুপ্তুদা
নখূৎমক্লা থুগায়জবা
লীক্লিদুগী
অকায়বা মচেত্তুনা য়ুরকপদা
করিগী কপ্লি?
খাংঙু চৈনা
তৈথোকখো পিরাংদো
কনা উহন্দনা,
অউবশিংনা
কল্লক পেন্দনবা।

### ইতোমতা হংজবনি

–শ্রীলোকেন

অনিশুব পৃথিবী লালজাওগী
এতোমবোমগী চৈনা খাঙখিবা
জপানগী হিরোসিমা–নগাসকি
শান্নবুঙ ওইখ্রে মালেমগী।।
মীহাৎ–মীপুন, মীকপ–মীরাওনা
মশরুক ওইরম্বা ইষ্ট–তাইমুর
লোইলমগী চৈথেঙ কোকখ্রে
নীংতম্বে ইশৈ শকখ্রে।।
সুপ্নম–লৌনমদ লৌশিনখিবা
কৈসুমশঙগী নাওসুমদা য়াহিপ্পিবা
হে!! মণিপুর নংনা কমদৌবা?।।
ঐখোয়গী লময়ানবসু ঙমহৌদ্রে
শোনজবত ঙাইহৌরে ‘নগুন্দো’
অদুঙৈগী অথৌবা নখোইগী।
ঐখোয়গী লময়ানবশিংদি চৎখ্রে
থেংনহৌদ্রে, তুংইনবসু ঙমহৌদ্রে
শোনজবত ঙাইহৌরে ‘নগুন্দো’
অদুঙৈগী অথৌব নখোইগী।।
হৌজিকসু হিংলি–লৈরি ‘হায়’
চিংনুঙ–মানুঙদ শকলোত্তুনা
তুম্ব–মচেৎ, চাব–মখাক
লানথেংনরি কৎথোকলি মীয়ামগী।।
নহালদি হাৎলমলে অনি
নমদুদা শেল খাইরম্বগী
ঙরাংসু কাপ্লমলে অহুম
থিকা–সপ্লাই মুন্নবগী।।
হঙলাই ইলেকসনগী খুৎনেক
লাইথাঙ ফম্বালগী খুৎপু
নেশা করবারগী লালমী
মীচং–মীচংদা লেপ্পরি।।
অনি–থোকপীগী ৱাখল্লোন্দ
মচেৎ তাবীগী চৎনবীদ
খৎনরি–চৈন্নরি–হাৎনরি
‘ঈ’ মশেনগী মরকসিদ।।
য়েলহৌমীসু অসুম মুৎশিল্লক্লি
শিরিবা–মাঙখ্রিবা ময়ামসে
ইরমদমগী ঈচৈচা ঙাক্তনি।।
য়ুমদাঙবনা কৈনারবা লমসিদ
শৈদাঙবনা লৈঙাকপা লৈপাকসিদ
মীতোপ্পা ৱায়েলচুপলি পাইখ্রবদ
মমিংতগী নীংথৌনা কৈদৌদোইবা?
‘মতমদো’ ইহৌসিনা মাইপাক্লবা
হিংহৌগদব থৱায়না কয়ানো?
নীংতমগদব মফম্না কদাইফাওনো?
লৈঙাক্কদবা লুপ্পা করম্বনো??

### থৱায় পরেং

–জয়েন্তা কোন্থৌজম

করিবু ঙাইরী কনাবু য়েংদুনা
কনাবু ঙাইরী করিবু খঙদুনা
করিনী নীংলী হিংলীবা এখোয়
থন্না থক্কি লাইজগুম থৱায়
কোয়খ্রবনী য়েক্লবনা চনখ্রবনী লাঙ্গোয়
খনগনু মিকুপ নান্থোকপা ঙমলোয়
থোং থীন্দনা থোং হাংলক্লোয়
ফংনবা হোৎনবা ইথৌনী ঐখোয়গী
ওইবনী মরমচৎ নীংতম্বা মাগী
লৈখল শুরবা পরেংগী মহুৎ
ওইবগী থৱায় লৈরাং পরেং
লেপশিনা অমুক্তং পুনা থম্মোয়দা
করীগীনো ওইরিবা নুমিৎশিং ঐখোয়গী
খোংজোম লান লানগী ৱারী
কিগনু লাওরী কেক্রে পাৎনা
পোলাং থল্লবা থৱায় পরেংনী।

### নীংবা থুংবা

–নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ

নঙ শিবা য়াদে
নঙ শিবা শুকয়া য়াদে
হিংলোকো হিংলোকো।
হিংগৎলকই তূল্লম্বদগী
চৎখি চেন চোংদুনা।
নহাক কন্দবা য়াদে
কল্লো কল্লো।
কনখৎলকৈ হনুমানগুম
পাইখি চীং ফুক্তুনা।
নহাক শিরো
হিংবা মাদে
থুনা শিরো
থুনা শিরো পাপী।
পদ্রাক তাখি
শরু পোলাং ওনখি
উৎ ওন্দুনা
লৈবাক্তা তিনখি।।
১৮।৯।১৯৯৪

### মপী লাইরিক

– তোংব্রম অমরজিৎ সিংহ

মতম অমা লৈরম্মী
থাজবা নুংশিবা কয়াগী তুংনফম।
খুৎশম্নদুনা হরাওনা
লেংগোন্নদুনা নুংঙাইনা
অঙাংশিংনা চৎনরম্বা
মহৈ লোইশঙ কয়া।
মপী লাইরিক তন্নরম্মী
ওজাশিংনা লমজিং লমতাকপীরম্মী।
অমকপা ৱাখল, অরানবা মীৎয়েং
পনখৈ ৱাংমদা লৈরম্মী
খল্লুবা ফংদে ৱাখলনা ফাওবা।
মপী লাইরিক্কী লমায়শিং
মতমগী পাউজেল পুবা শৈরেংশিং
মচু য়াওদবা লাইরিক্কী মখুম
কুইমল্লদুনা ইশৈ শেগায়রবা চেনাশিং
অমদি লাইরিক ময়েকশিং
মিংশেল চন্দুনা লৈরম্মী
মীনা কয়া থৌশাবীদ্রবা ম্যুজিয়ম অমদা।

### অয়েকপা লাই

– নির্মলা রাজকুমারী

নুপী অমনা লাকই
লাই য়েকপা অমগী মনাক্তা,
মমি অমা য়েক্লবা মশাগী
হায়রকই অদুগা
ঐগী অয়েকপা লাইদুদা
শিবিয়ু অশাংবা সনাগী লীক অমা।
হংই লাইয়েকপদুনা করিগীনো?
খুম্মকই নুপীদুনা,
ঐ শিখ্রবা তুং ঐগী ইপুরোইবনা
পুরক্কনিদনা নুপী অমা।
হঙলক্লনি নুপীদুনা কদাইদা লৈ
ফোতোদা য়াওরিবা লীকতো
ঙমদবদগী পীবা মবানি খৎবদুদনি
পেনগদৌরিবা ঐগী আত্মাসিনা।

## তাবুনুংদগী

### লাইথুং কোকপা লাইফম পুরুকশৌবী

মণিপুরদা লাইথুং কোকপা অরুবা অমসুং মমিংচৎপা লাইফম খরা লৈ। মখোয়দুগী মনুংদা উচেক্লোন তাখোক্তা লৈবা পুরুক শৌবী হায়রগা মীয়াম্না হেন্না খঙনবা তাক্লগী লাইফম অসিবু অমনি। লাইফম অসিগী মমিং পুরুক শৌবী হায়না খঙনরিবসি লাইফম অসিদা লৈরিবা লাইথুং কোকপা ঈ কোম অসিগী ঈশিংদা কোঙ্গান পুরুক পুরুক শৌবা মরমদগীনি। লাইকোম অসিগী মপান্দা চঙশিল্লগা ঙাইহাক্তং লেপ্পুনা লৈবা কোম অসিগী ঈশিংদা কোঙ্গোল ময়াম পুরুক পুরুক শৌগৎলকই। লাইফম লৈরিবা মফম অসিগী নোংপোক নোংচুপ খা–ৱাংগী অপাকপা লৌবুক লমহাংগী শরুক অসিবু তাক্লখা হায়না কৌনৈ। মতম অমদদি ঈশিং তুংবা থরো–থম্বাল হৌবা পাৎ ওইরল্লবসু ঙসিদি পাৎকী শক্তম মাঙখিদুনা লৌউ উনবা অপাকপা লৌবুক্কী শক্তম লৌখরে। পুরুক শৌবী লাইফমগী মতাংদা অরিবা লাইরিক থিরেল লায়াৎ কৌবা লাইরিক্তা ইরম্বা মতেক অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি...

*‘ ঙৌবিয়াগা কোংবগা অনীমগী মরক্তা তাক্লগী লাইফম অরুবা শুরুং লাইখুন অমা লৈবনে। পাখংবগী য়াথোকফম্নে। হৌজিক মনাক চঙখিরবগা কোঙ্গান শৌগৎপনে। পাখংবগী মনিংশানে খঙও। মাগী ঈরাংপোৎতি কোম্বান নোংপোক থংবদা লফোই লফাং অমা, লৈশং অমা, ক্বা ময়োন চোংবা অমা, পানা অমা অৱাং থংবদা খুদৈ অমা ফৈজে াম অমা, ইন্নফি অমা কৎকদবনে। কোম মনুংদা কোনয়াই পু অশেংবা অমা, খয়োম অমা, ফূ অহিংবা অমা থা–ও। নিংথৌজা ওইরবদি ফম্বান ফংজৈএ। ঈশিং লাইথুংবশু কোকএ। নীংবা খৈকিশুং পাঙবা ঙম্বনে চেৎনা তৌজৌও খঙও’*

### মণিপুরী পাম্থে –পাউরৌ, পাউতাক

- **তোয়না চাশিল্লক্লবা পোৎ মহাও য়াওরক্তে।**
  –নুংতিগী চাবা, নুংতিগী তৌবা, নুংতিগী উবা থওইরক্তে মগুণ হন্থরকই
- **তোয়না খোইরবা লৈবাক লৈহাও মাঙই।**
  –তোয়না শীজিন্নবা পোৎ ময়াম চল্লকই।
- **তোকঙা মখোঙ পাল্লকপা।**
  –অরানবা ওইদবা ৱাদি নুংশিতগী হেন্না য়াংনা শন্দোকই।
- **তোকঙা কান্নবসু মরাকপনি।**
  –করিগুম্বা মতমদা ফত্তবা মরক্তসু অফবা য়াওরকই।
- **তোকঙাদসু অচুম্বা য়াওই।**
  –অরানবা মরক্তসু করিগুম্বদা অচুম্বা য়াওই।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

### চানক্য নিতি

- অঙম–অথৌ, মমিং চৎপা মীবু কৈদৌনুংদা করেম কথাইনবা, নোক্লবা তৌগনু।
- থবক অমগীদমক মাঙজৌন্না চাংয়েং তৌবদি মায় পাকপা অমদি মায়থিবগী অঙনবা পাউতাক ঙাক্তনি।
- কুপ্পা খন্থরগা পাঙথোকপা থবক অমগী মায় পাকপা অমদি মায়থিবদি লাইবক্তা ইদুনা লৈখ্রবনি।
- লাইবক্তা তল্লিবা করিনো খঙদ্রবসু থবক অমা হেক্তা হৌজিনলিবা মহাক মায় পাকপা থুনা ফংবা হৌনশানি।
- ইচ চন্না হৌদোকপা থবক্কী অফ–ফত্ত খঙবা ঙম্লোই।

*মণিপুরীদা হন্দোকপাঃ শগোলশেম গৌরমহন সিংহ*

### মণিপুরী পাউখোঙ

৯৮৮) য়েনখা পোলাং করিনো করিনো?
৯৮৯) য়াৎতনা কোয়বা, ফেংদনা লংবা করিনো?
৯৯০) য়ুম্নাক খুদিংমক্তা য়াওবা (মৈতৈলোন) ময়েক করিনো?
৯৯১) য়াম্না হাওবা ঙা মমিংদি তাবদা হঙ্গোইবা করি ঙানো?
৯৯২) য়েৎনা তৌব থবক ওইনা থাজদবা করিবুনো?

*(ঙসিগী পাউখোঙ লমায় ৭ তা ফোঙজরি)*

### মীরোন্দগী হন্দোকপা লাইরিক ঐগী পূন্সি অমসুং মণিপুর

*(জর্নেল সিংহ মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরী ফাওবা ওইরম্বা আই এ এস ওফিসার অমনি। মহাক্লা মণিপুরদা থবক তৌরিঙৈদা থেংনরকখিবশিং অদু নীংশিংদুনা ইংগ্রাজীদা ইবা ‘মাই ত্রাইষ্ট ৱিথ মণিপুর’ হায়বা লাইরিক অসি ক্ষেত্রিময়ুম সান্ত অমসুং ডা. কে এস ঐচ নরায়ন সিংহনা মণিপুরীদা হন্দোক্লে। লাইরিক অসি কলম অসিদা মথং মথং ফোঙদোকচরি।)*

– জর্নেল সিংহ

(মমাঙ নোংমাইজিংগী মখা...)

#### “ফেয়ারৱেল”

বিদায় পীবা থৌরম অদুগী অরোয়বদা কেবিনেট মিনিষ্টর অমনা ঐগা কাচিন অমদা চৎমিন্নরম্মী। মহাক্লা ঐঙোন্দা শেনপাক অমা অমসুং শাল অমা পীবিরম্মী। শেনপাক অদুদা ফোটো অনী য়াওরম্মী। নাকল অমদা মাগী ফোতো অদুগা নাকল অমরোমদনা ঐগী ফোতোনি। গ্লাসকী ফ্রেমুদা ৱাহৈশিং অসি ইরম্মী।

*‘থবক য়াওদবা মীৎয়েংদি মঙ অমখক্তনি। অদুবু নঙনা লাল্লোং অমসুং লমচৎ অনীগী অকম্নবা পাঙ্গল অনী পূনশিন্দুনা নঙগী চাওখৎপগী মীৎয়েং অদু নঙনা মঙ ফাওনহল্লি।*

*নঙনা অঙম্বা অমা ওইনা ‘মসি তৌ’ হায়না য়াথং তৌবা ঙম্মী অদুবু নঙনা মতম লৈবা খিবিক্তা অশেংবা লুচিংবা অমা ওইনা হায়, ‘ঐখোয় মসি তৌসি। নঙনা খুদোংথিবা পুন্নমক্তা খুদোং চাবা অদু উই অদুগা মণিপুর প্রজাশিংগী মতুংদা চৎতুনা মণিপুর ষ্টেটপু লমজিংই।*

*মোং হাদবা ঈশিংদা জহাজ হোনবদি লায় অদুবু নঙনা দাইনেমিক কেপ্তেন অমা ওইনা মণিপুরগী জহাজবু নঙনা বুদ্ধি লৌশিং, থাজবা মাঙহন্দনা, পুকচেল শেংনা, থকসি–খাসি অমসুং পুকচেল চেৎপগী খুদম চাংদমগা লোয়ননা অকম্নবা ঈথক ইপোম মরক্তা হোল্লি।*

*পাইরক্কী থোরকপা থৌদোকশিংদা ইংথনা লৈনবা, পুক্নিং মরাং হৌবগী মরক্তসু ফিরেপ চানা লৈনবা অমদি শক্তি অমত্তনা নমথবা য়াহন্দনবা নঙনা ঐখোয়দা তম্বী।*

*নঙনা তৌখিবা পুন্নমক্কীদমক ঐখোয়না থাগৎলি অমসুং নঙনা তৌখিবা থবকশিংগীদমক মতম পুম্বদা ঐখোয়না নঙগী লমন তোনশিনজরে’*

ঐনা চীফ সেক্রেটরী চার্জ অদু শিন্নরগা ঐনা ওফিস মনুংদা ঐগী পোৎ–চৈশিং য়োমশিল্লম্মী। নোংসু য়াম্না কন্না চুখি। চীফ সেক্রেটরি ওফিসকী য়ূমথক অদু লোক নায়বা জিজ্ঘনা কুপ্পনি। মদুনা মরম ওইদুনা মখোল য়াম্না হৌনা থোকই। নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ তাবদা ঐনা ঐগী ওফিস থাদোকখি। সেক্রেটরিয়েৎ গেটকী ময়াদা নোংনা ইচোৎ চোৎলবা দেবলা অমদি মাগী মমানা লেপ্পুনা লৈরম্বদু ঐনা উখি। ঐনা ত্রান্সফর চৎপা মতমদুদা ঐঙোন্দা পীনবা মণিপুরী ফি অমা মখোয়না পুরক্লম্মী। অদুবু নোং য়াম্না কন্না চুবনা মরম ওইদুনা মখোয়না সেক্রেটরিয়েৎ মনুংদা চঙবা ঙমখিদে। ঐগী কার লেপ্লম্মী, মখোয়বু থাগৎলম্মী অদুগা মখোয়দা মঙ্গল অশিবার্দ পীবিরম্মী। মথং মথং....

# খরগেগী রেল্লি মফম 'প্যুরিফিকেসন'গী মতাংদা উত্তরখন্দ বি জে পি মেম্বরশিংগী মথক্তা কেস লৌখৎখ্রে




বেঙ্গলুরু, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সি):

কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিকার্জুন খরগেনা রেল্লি অমদা ৱা ঙাংখিবা মফম হলদৱানিগী রামলিলা গ্রাউন্দদা চথখিবা 'প্যুরিফিকেসন রিচুয়েল' অমগী মতাংদা উত্তরখন্দ বি জে পি মেম্বরশিং অমসুং অতৈগী মথক্তা বেঙ্গলুরুগী বিধান শৌদা পুলিসনা জেরো এফ আই আর অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে।

ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেসকী এস টি দিপার্টমেন্টগী হান্নগী ভাইস চিয়ারমেন টি আর রামাপ্পানা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলখিবা মতুং ওগষ্ট ৩১দা এফ আই আর অদু রেজিষ্টার তৌখি। ৱাকৎ অদুগী মতুং ইন্না, রাজ্য সভাদা লিদর ওফ দ ওপোজিসন অদুসু ওইরিবা খরগেনা নাইনিটাল দিষ্ট্রিক্টকী হলদৱানিদা লৈবা রাম লিলা গ্রাউন্দদা ওগষ্ট ৮দা পব্লিক রেল্লি অমদা ৱা ঙাংখি।

মীফম অদু য়াম্না শান্তি ওইবা অমসুং আইননা য়াবা দেমোক্রেটিক ওইবা মীফম অমনি। বে জে পি মেম্বরশিং অমসুং ফংসনরিশিংনা হায়রিবা মফম অদুমক্তদা ওগষ্ট ১০দা 'প্যুরিফিকেসন রিচুয়েল' নৎত্রগা 'সুধিকর্না' অমা পাঙথোকখি হায়খি।

মফম অদু শেংদোকপগী থৌরম পাঙথোকখিবা অদুনা খরগেনা মফম অদুদা লাকখিবা অদুবু মহাক সেদ্যু কাষ্ট কম্যুনিটি অমা ওইবগী মরম্না মাঙদোক্নে হায়বগী ৱাখল চেলহল্লি হায়না ৱাকৎ অদুনা হায়খি।

থৌওং অদু অনটচেবিলিটি লোগী মখাদা মরাল অমা অমসুং ইকায়বা পীবা অমনি হায়না ৱাকৎ অদুনা হায়খি। শেংদোকপগী থৌরম অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরখিবা মতুং মদু ঙাকথোকপা অমসুং চুম্মি হায়বগীদমকসু উত্তরখন্দ বি জে পি প্রসিদেন্ট মহেন্দ্র ভত্তসু ৱাকৎ অদুদা মমিং পনখি।

পুলিসনা কেস অদু তোঙান তোঙানবা মীওই কাংলূপশিংগী মরক্তা য়েংথিনহনবা ওপোকহনবগী মতাংদা লৈরিবা ভারতিয়া ন্যাই সনহিতা ২০২৩গী সেক্সন ১৯৬(১)এস সি/এস টি (প্রিভেন্সন ওফ এট্রোসিটিজ) এক্ট, ১৯৮৯গী সেক্সন ৩(১) য়ু, প্রোটেক্সন ওফ সিভিল রাইটস এক্ট, ১৯৫৫কী সেক্সন ৭(১)(সি), ৭(১)(দি) অমসুং ৭(১)(ই) গী মখাদা রেজিষ্টার তৌখি।

কেস অদু জেরো এফ আই আর অমা ওইনা রেজিষ্টার তৌখিবা মরম্না মদু জুরিসদিক্সনগী ৱা লৈতনা পুলিস ষ্টেসন অমা হেক্তদা থাঙ্গৎপা য়াই।

এফ আই আর অদু মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক উত্তরখন্দগী হলদাৱানিদা জুরিসদিক্সনেল পুলিস ষ্টেসনদা ট্রান্সফর তৌরগনি হায়না বিধানশৌদা পুলিসনা হায়খি।

বেঙ্গলুরু পুলিসনা কেস অদু ইনভেষ্টিগেট তৌরোই হায়না ওফিসার অদুনা হায়খি। মসিগা মান্নবা এফ আই আরশিং থৌদোক অদুগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী য়ামদ্রবদা তোঙান তোঙানবা মফম ৮দা রেজিষ্টার তৌখ্রে।

থৌদোক অদুনা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগগী মরক্তা পোলিটিকেলগী মুক্নবা অমা থোকহনখ্রে। খরগেনা রাজ্য সভাদা ওগষ্ট ১৩দা ৱাথোক অদু পুখৎখি অমসুং থৌদোক অদুগী মতাংদা এফ আই আর অমা রেজিষ্টার তৌবদা মতম থেংথরিবা অদুগী ৱাহং হংলদুনা লিদর ওফ দ হাউস জে পি নদ্দাদা কোন্না চেরোল অমা ইখি।

মহাক্কী চেরোল অদুদা খরগেনা মহাক্না ৱা ঙাংখিবা মফম অদুদা তৌখিবা প্যুরিফিকেসন অদু কনষ্টিট্যুসন অমসুং হ্যুমেন ভেল্যুজগী স্পিরিট অদুগী ওন্ন-তৈনবদনি অমসুং অনতচেবিলিটিগী চৎনবী অদুগা মরী লৈনৈ হায়খি।

মরকসিদা হলদৱানি পুলিসতা লোক সভাদা লিদর ওফ দ ওপোজিসন ওইরিবা রাহুল গান্ধীগী মথক্তা ওর্গনাইজরশিংনা চুম্নগী রুটিন ওইনা পাঙথোকপা রিলিজিয়স রিচুয়েল অমনি হায়বা অদুবু কাংলূপ জাৎ খায়দোকপগী মওংদা ৱাহন্থোক পীখি হায়না থাঙ্গৎলকপা ৱাফম অমদা য়ূমফম ওইরগা এফ আই আর অমা রেজিষ্টার তৌখি।

রাহুল গান্ধীগী মথক্তা থাঙ্গৎখিবা এফ আই আর অদু 'প্যুরিফিকেসন রিচুয়েল'গী ৱাথোক অদুদগী মীয়ামগী মীৎয়েং থৈদোক্নবা হোৎনবা অমনি হায়না কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখ্রে।

# জেলেনস্কিনা রসিয়াগা সিজফয়ার তৌনবা ৱাফম হৌদোকখ্রে





ক্যিব, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সি):

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেনস্কিনা ইরাই নুমিৎতা ট্রম্প এনভোয়শিংনা চয়োল লোইবা নুমিৎতা মোস্কো অমসুং ক্যিবনা লাকপদা রসিয়াগা মতম খরগী ওইবা সিজফয়ার অমা তৌনবা ৱাফম হৌদোকখ্রে।

য়ু এস এনভোয়শিং জারেদ কুসনের অমসুং ষ্টেব ৱিটকবনা রসিয়া-য়ুক্রেন ৱার লোইশিনবা অমা পুরক্নবা ওইথোকপা য়াবা পিছ দিল অদুগী মতাংদা ৱারী শান্নবা মথংশিংনা মোস্কো অমসুং ক্যিবতা থাংজ অমসুং নোংমাইজিং নুমিৎতা লাক্লি।

রসিয়ানা য়ুক্রেনগী ইন্টিলিজেন্স সার্ভিস হেদক্কার্টরসতা নুমিৎয়ুংবদা এয়ার এটেক অমা চথরকখিবা নুমিৎতা জেলেনস্কিগী ৱাফম অদু হৌদোকখিবনি। ষ্টেটৱিদকোব অমসুং জারেদ কুসনেরনা থাংজ নুমিৎতা মোস্কোনা লাক্কনি অমসুং নোংমাইজিং নুমিৎতা মখোয় কিব্যতা লাক্কনি।

কুসনের অমসুং ৱিটকোবনা অশোয় অঙাম থোক্তনা থুংলবা য়ানবা য়ুক্রেনিয়ান দিপ্লোমেটশিংনা রসিয়ান এয়ারস্পেসতা ইকায়বা থোকহন্দবা ৱারেপ লৌরে হায়না মহাক্না হায়খি।

ঐখোয়গী নাকন্দগী নোংথক্কী এটেকশিং তৌররোই অমসুং নেগোসিয়েসনশিং অদু পাঙতোকপদা মথৌতাবা মতম অদুগীদমক অমসুং আমেরিকান ভিজিট অসিগা লোয়নবা লোজি ষ্টিকেল ইস্যুশিং থোকহন্দনবা রসিয়ানসু মখোয়গী এয়ার এটেকশিং অমত্তা তৌদনা তুমিন্না লৈদুনা ঐখোয়গী অসিগা শোয়দনা মান্নগনি আশা তৌরি হায়না সিজফয়ার অদুগী ৱাফম পুখৎলদুনা জেলেনস্কিনা হায়খি।

য়ুক্রেননা এনভোয়শিং অদুগী শোক্তনবা খনবনি, রসিয়াগী খনবা নংতে হায়না মহাক্না হায়খি। য়ু এস এনভোয়শিং অদুনা হৌদোক্কদৌরিবা ৱাফমশিং অদু করিনো অমসুং মখোয়দা মোস্কোনা করি হায় হায়বদু ঐখোয়না য়েংগনি হায়না জেলেনস্কিনা হায়খি।

# অফ্রিকা হৌজিক ৱার্ল্ড মেপতা হেন্না চাওরে, ৱারেপ অদু লৈবাক ১৬৪না শৌগৎখ্রে, মদুগী মায়োক্তা য়ু এসনা লৈখ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সি):

য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লিনা ৱাসিংটনবু অশাওবা পোকহনবা মওংদা নোর্থ আমেরিকা অমসুং য়ুরোপপু কিশিনহনবা, অদুগা আফ্রিকা কন্টিনেন্ট হেন্না চাওহনবা অনৌবা ৱার্ল্ড মেপ অমা চৎননবা ইরাই নুমিৎতা ভোট পীখ্রে।

কন্টিনেন্টেল লেন্দমার্সশিং হেন্না চুন্না লৈহন্নবগী পান্দমদা রিজোলুসন অদু লৈবাক ১৬৪না শৌগৎখি অদুগা মদুগী মায়োক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ভোট পীখি অমসুং অতোপ্পা ষ্টেট ৬না ভোট থাদবা য়াওখিদে।

অনৌবা মেপ-ইক্কেল আর্থ কার্টোগ্রাফিক প্রোজেক্সন হায়না খঙনবা অসিনা মালেমগী কার্টোগ্রাফিক রিপ্রজেন্টেসনগী অচৌবা অদু হেনগৎহনগনি হায়না ৱারেপ অদুনা হায়খি।

ৱারেপ অদুনা মেম্বর ষ্টেটশিংদা ফ্লেমিশ কার্টোগ্রাফর গেরেন্দস মেরগাতরনা ১৫৬৯দা মেরিটাইম নেভিগেসনগীদমক দিজাইন তৌরম্বা ট্রেদিসনেল মেরকাটর প্রোজেক্টর অদুগী মহুৎতা অনৌবা মেপ অদু শিজিন্ননবা আপিল তৌখ্রে।

ৱারেপ অদু টোগোগী ফোরেন মিনিষ্টর রোবার্দ দুসেনা স্পোন্সর তৌরকখিবনি। মেরকাটর প্রোজেক্সন অদুনা লেন্দ মাসশিংগী সেপশিং অমসুং এঙ্গলশিং চুম্না ফোঙদোক্নবা হোৎনখি, অদুবু ৩-দাইমেনসনেল গ্লোবপু ২-দাইমেন্সনেল মেপ অমদা ওন্থোকপদা লৈরিবা শীংনবা অদুনা মরম ওইদুনা মখোয়গী সাইজশিং অদু অয়াম্বা মতমদা চান্নদে। মদুনা অৱাং থংবা রিজনশিং চাওথোকহল্লি অমসুং য়ুরোপ অমসুং নোর্থ আমেরিকাবু হেন্না চাওনা উহল্লিবা আফ্রিকা অমসুং সাউথ অফ্রিকাবু পীকশিলহল্লি।

কোর্টোগ্রাফরশিংগী গ্রুপ অমনা ২০১৮দা ইক্কেল আর্থ প্রোজেক্সন অদু হৌদোকখি। মদুনা আফ্রিকা, লেটিন আমেরিকা, সাউথ এসিয়া অমসুং ওসিমিয়াবু য়াম্না হেন্না চাওবা ওইহনখিবা ইক্কেল আর্থনা হেক ওইথোকপা য়ারিবমখৈ কন্টিনেন্টশিংগী গ্লোব অমদা উরিবা সাইজশিং অদু উৎনবা হোৎনবগা লোয়ননা মখোয়গী সর্ফেস এরিয়াশিং অদু কায়হন্দনা থম্মি হায়না বোজান সামরিক কৌবা কার্টোগ্রাফরশিংগী মনুংদগী অমনা ২০২৫তা এ এফ পিদা হায়খি।

# রাঘব চাধানা আই পি য়ু মীফমদা পার্লিয়ামেন্টকী মহুৎ শিল্লগনি



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সি):

বি জে পি রাজ্য সভা এম পি রাঘব চাধাবু উজবেকিষ্টানগী সমরকান্দদা সেপ্টেম্বর ৪ দগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা ইন্টর-পার্লিয়ামেন্টরি য়ুনিয়ন (আই পি য়ু) গ্লোবেল কনফরেন্স ওফ য়ং পার্লিয়ামেন্টরিয়ান্সতা পার্লিয়ামেন্ট ওফ ইন্দিয়গী মহুৎ শিন্নবা হাপখ্রে।

ভাইস প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা দিলিগেসন অদুদা মহাকপু হাপখিবনি।

আই পি য়ু অসি ১৮৮৯দা লিংখৎখি অমসুং জিনেভাদা হেদক্কাটর ওই। মসি মেম্বর পার্লিয়ামেন্ট ১৮০ অমসুং এসোসিয়েট মেম্বর ১৫ অমত্তা ওইনা পূনশিনবা মালেমগী নেসনেল পার্লিয়ামেন্টশিংগী খ্বাইদগী লিবা অমসুং খ্বাইদগী চাওবা বোদি অদুনি।

চহী অসিগী থিমদি রিক্লেমিং হ্যুমেন রাইটস, জষ্টিস এন্দ দিগ্নিটি ফোর ওল ইন টরবুলেন্ট টাইমস হায়বসিনি।

নুমিৎ হুন্নি অদুদা মালেমগী অকোয়বদগী নহা ওইরিবা লেজিসলেটরশিংনা য়ুথ রাইটস ওন কনফ্লীক, দিজিটেল রাইটস এন্দ ওনলাইন সেফটি, ক্লাইমেট রেসিলিয়েন্স এন্দ জষ্টিস অমসুং ইকোনোমিক ওপোর্চুনিটি ফোর দ য়ুথস দিবেট তৌনগনি।

# বষ্টর ২০১৩ মাওইষ্ট এটেকতা মীওই ১০ কনভিক্সন পীখ্রে

বষ্টর, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সি):

ছতিসগড়গী বষ্টরদা স্পিসিয়েল নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) কোর্ট অমনা মীওই ২৯ হাংখিবা অমসুং ষ্টেট অদুগী কোংগ্রেস লিদরসিপ পূম্বা মুখৎখিবা ২০১৩ ঝিরাম ভেলি মাওইষ্ট এটেক অদুগা মরী লৈননা মীওই ১০ কনভিক্সন পীখ্রে।

বষ্টর দিষ্ট্রিক্টকী দরভা পুলিস ষ্টেসনননা কোনবা ঝিরাম ভেলিদা কোংগ্রেস লুচিংবশিংগী কনভোয় অমদা নেসনেল হায়ৱেদা মে ২৫, ২০১৩দা মাওইষ্টনা এম্বুস তৌখিবনি। কোংগ্রেস লুচিংবশিং অদু পরিবত্রম রেল্লি য়াওরুরবা মতুং হল্লকপদা এটেক তৌখি। মদুদা শিখিবশিং অদুগী মনুংদা মতমদুগী কোংগ্রেস ষ্টেট চীফ নন্দা কুমার পতেল, মাগী মচানুপা দিনেস, এসেমব্লিদা হান্নগী লিদর ওফ দ ওপোজিসন মহেন্দ্র কর্মা, হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর বিদ্যা চরন সুক্লা অমসুং হান্নগী এম এল এ উদয় মুদলিয়াগুম্বা সেনিয়ার ওইবা কোংগ্রেস লুচিংবশিং শিখি। থৌদোক অদুদা সিভিলিয়ান অমসুং সেক্যুরিটি পার্সোন্নেল কয়াসু শিখি।

জগদলপুরদা লৈবা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি কোর্টকী স্পিসিয়েল জজ অভয় সিংহ রাজপুতনা নুপী অনি য়াওনা এক্যুজ ১০ কনভিক্সন পীখি হায়না পাউগী এজেন্সি পি টি আইনা হায়খি। পীগদবা চৈরাক্কী চাংদি সেপ্টেম্বর ১৬তা লাউথোক্কনি।

# পিক্কেক্সতা থুনা এটেক তৌরবা য়াই: ট্রম্প

ৱাসিংটন, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সি): ইরানগী মিলিটরি টার্গেটশিংদা ৱাসিংটননা টার্গেট তৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পিক্কেক্স মাউন্টেন হায়না খঙনবা ইরানগী য়াম্না কন্না ঙাকথোক্তুনা থল্লিবা অন্দরগ্রাউন্দ ন্যুক্লিয়ার সাইটতা য়াম্না থুনা এটেক তৌরবা য়াই হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ইরাই নুমিৎতা হায়খ্রে।

ওভেল ওফিসতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ইস্লামিক রিপব্লিক অদুগী মথক্তা থা কয়া শাংনা চথখিবা য়ু এস মিলিটরি কেম্পেন অদু টেহরানবু ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই অমা ফংখিগদবদগী থিংনবনি হায়না ট্রম্পনা হায়খি।

ইরানগী ন্যুক্লিয়ারগী ৱিপন অমা লৈহল্লোই, মরমদি মদু লৈবা তারবদি নখোয় মফম অসিদা য়াম্না শাংনা লেপ্তুনা লৈরিবসি ওইথোক্লোই হায়না মহাক্না হায়খি।

# য়ু এসনা সাউদিদা দোল্লর বিল্লিয়ন ৫গী বোম য়োন্নবগী অয়াবা পীখ্রে

ৱাসিংটন, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সি):

ইরানগী মায়োক্তা য়ু এস অমসুং ইজরেলনা লান চথরিঙৈগী মরক্তা ইতৎ তৎতনা এটেক তৌরকখ্রবা সাউদি অরাবিয়াদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৫গী বোমশিং, গাইদেন্স কিটশিং অমসুং অতৈ ইক্যুপমেন্ট য়োন্নবগী অয়াবা ইরাই নুমিৎতা লাউথোকখ্রে। য়ু এস লোমেকরশিংনা হৌজিকসু এপ্রুব তৌবগী মথৌতারিবা ৱাফম অদু ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা কোংগ্রেসতা নোটিফাই তৌখ্রে।

## কার এক্সিদেন্টতা মহৈরোই ৮ শিখ্রে

থ্রিসুর, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সি):

ময়াই থংবা কেরলালমগী থ্রিসুর দিষ্ট্রিক্টতা এন ঐচ ৬৬তা আইন কায়না খামদুনা থম্বা লোরি অমদা মখোয়গী কারনা থেঙ্গাইবদা টামিল নাদুগী দিন্দিগুল্লদগী ইঞ্জিনিয়ারিং মহৈরোই ৮ শিখ্রে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু ইরাই নুমিদাং পুং ১১:৪০ রোম তাবদা কার অদুনা গুরুবায়ুরদগী কোন্দুরগালুর তম্না থৌরকপদা থোকখিবনি। এফ আই আর অদুগী মতুং ইন্না চথরিবা কনষ্ট্রকসন ৱার্ককী শরুক ওইনা লম্বী থৈদোকখিবা বেরিকেটদৈ সেক্সন অদুগী মনাক্তা লোরি অদুনা হায়রে অদুগী য়েৎথংবা নাকন্দা খাল্লমখিবনি।

## রেষ্টলর নুপী, মচা ৩গা লোয়ননা ফোর্টতগী চোংথখ্রে

ধারাশিবা, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সি):

নেসনেল লেবেলগী নুপী রেষ্টলর অস্বিনি মনোহর পাউল অমসুং মচা ৩ মহারাষ্ট্রগী ধারাশিবা দিষ্ট্রিক্টতা মমিং চৎলবা নালদুর্গ ফোর্টতগী চোংথখিবদা মচানুপী অমা হিংহৌখ্রে। মহাক অমসুং চহী ৫ শুরবা মচানুপা অজিনকিয়া মফম অদুদা শিখি অমসুং চহী অনিমখায় শুরবা মচানুপী অমনা কোন্না লৈকন্নবা ঙমদনা শিখি।

## হোস্পিটালদা মৈ চাক্লকখিবদা নৌনা পোকপা অঙাং ৯ লৌথোকহৌরে

মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সি): মহারাষ্ট্রগী সত্রপতি সম্ভাজিনগরদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল এসিয়ান হোস্পিটালগী এন আই সি য়ু (নিওনতাল ইন্টেন্সিব কিয়ার য়ুনিট)তা মৈ অমা চাক্লকখিবদা নৌনা পোকপা অঙাং ৯ খুদক্তা মফমদুদগী লৌথোকহৌরে। থৌদোক অদু ইরাই নুমিৎতা থোকখিবনি হায়না হোস্পিটাল অদু চল্লাইরিবা ডোক্টর সোয়েব হাসমিনা হায়খি।

### মনিপুরী পাউখোঙগী পাউখুম

৯৮৮) না নাকোং।
৯৮৯) নুমিৎ, থা।
৯৯০) 'ম'নি।
৯৯১) ঙাথী।
৯৯২) শো লোনবা। শো লোল্লগা খূৎ ওইনা লোল্লৱা-লোন্দ্রিৱা চিংলগা য়েংবা।



SL/KK/

### সনা-সুদোকু-১০৭০গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 2 | 4 | 7 | 1 | 9 | 3 | 5 | 6 |
| 6 | 9 | 5 | 8 | 3 | 2 | 1 | 7 | 4 |
| 7 | 3 | 1 | 5 | 6 | 4 | 9 | 8 | 2 |
| 9 | 5 | 8 | 3 | 2 | 6 | 4 | 1 | 7 |
| 3 | 1 | 7 | 4 | 8 | 5 | 2 | 6 | 9 |
| 2 | 4 | 6 | 9 | 7 | 1 | 8 | 3 | 5 |
| 5 | 7 | 2 | 1 | 4 | 8 | 6 | 9 | 3 |
| 4 | 8 | 9 | 6 | 5 | 3 | 7 | 2 | 1 |
| 1 | 6 | 3 | 2 | 9 | 7 | 5 | 4 | 8 |

**HOMI BHABHA CENTRE FOR SCIENCE EDUCATION**
TATA INSTITUTE OF FUNDAMENTAL RESEARCH

**National Olympiad Programme 2026-2027**
**in Astronomy, Biology, Chemistry, Physics, Junior Science**

All students wishing to participate in the programme must appear in corresponding **National Standard Examinations (NSEs)** (for science subjects) on **November 21 and 22, 2026**, conducted by **the Indian Association of Physics Teachers (IAPT).**

Qualification in NSE is the first step towards participation in the corresponding **International Olympiads of 2027.**

To enroll:
**NSEs**: https://www.iapt.org.in (Aug 21 - Sep 14, 2026)

For more details: https://olympiads.hbcse.tifr.res.in
https://www.iapt.org.in

**CBC 48143/11/0006/2627**

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 603/SDC/IW(C)-I of 2026 dt. 25/08/2026

1) Salam Memcha Devi W/O Salam Ranjit Singh of Sagolband Sayang Kurao Makhong .
2) Salam Tejmani Singh S/O Salam Ranjit Singh of Sagolband Sayang Kurao Makhong.
3) Salma Nelamani Singh S/O -do- of -do-
4) Salma Suresh Singh S/O Salam Ranjit Singh of Awang Wabagai Potsangbam Khoiru Imphal West.
5) Salma Rakesh Singh S/O Salam Ranjit Singh of Sagolband Sayang Kuraomakhong.
6) Chabungbam Anandi Devi W/O Late Salam Naresh Kumar Singh of Sagolband Sayang Kuraomakhong.
7) Salam Manisana S/O Salam Ranjit Singh of Sagolband Sayang Kuraomakhong. -Petitioners

**-Vs-**

(Late) Salam Pumbum Singh S/O (L) Salam Leishang Singh of Sagolband Sayang Kurao Makhong, Imphal West.

O.P. (s)

**/ NOTICE**
Lamphel, the 27/ 08/ 2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Salam Pumbum Singh গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 85-Sagolband, অরিবা পাট্টা নম্বর 1515, 2086 (O) অনৌবা পট্টা নং 2469 (N) দাগ নং 10050 অমসুং এরিয়া 0.0212 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্নে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চখরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/5463/06

**/ NOTICE**
Date: 05/ 09/ 2026

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা খঙহঞ্জিরি মরমদি Usoipokpi Bazar Development Committee Regd No. 89 of 1987-88, Usoipokpi হায়রিবা বাজার কম্মিটি অসি মতম শাংনা ফংসন তৌদনা লৈরম্বা মরম্না কমিটি অসি অমুক হিঙ্গৎনবগী প্রোসেস পূন্নমক মরীলৈনবা ওফিসতা তানজরি। মরম অদুনা হায়রিবা কম্মিটি অসিগী অনৌবা মেনেজিং কম্মিটি খন্নবগীদমক স্পিসিয়েল জেনরেল বোদি মিটিং অমা লাক্লিবা তারিক ২২-০৯-২০২৬কী অয়ুক্কী পুং ১০.০০০ তাবা মতমদা Lilong Hangamthabi দা লৈবা Alhej Seikh Nasir Ahmed গী য়ূমদা পাঙথোক্লগনি। মরম অদুনা হায়রিবা মিটিং অসিদা বজার কম্মিটিনা কোনবা এরিয়াদা লৈরিবশিংনা মরুওইবা দুকান ওনরশিংনা শরুক য়াবিনবা হায়জরি।

Sd/-
Md Abdur Rahaman
Member
Usoipokpi Bazar Development Mommittee

SL/Nute/06



SL/Mocha/20-2

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
KEIRAO BITRA, IMPHAL EAST : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 186/SDC/KBT, *Dated the 28/08/2026*

Kshetrimayum Achou Singh S/O Ksh. Aber Singh of Chanam Sandrok Bambal Leikai. .....*Petitioner*

-Versus-

Late Ksh Aber Singh S/O Late Madhap Singh of Chanam Sandrok. ...*Opposite Party/Parties*

**/ NOTICE**
Keirao Bitra, the *28/08/2026*

Under Section-46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি- Imphal East Keirao Bitra Circle গী Patta No. 373 (অরিবা) 466 (অনৌবা) গী Village No. 54-Keirao Wangkhem, C.S. Dag No. 677 an area of 0.62 acres of Phourel Class লম অসিগী Co-Pattadar No. Ksh Aber Singh অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মপাগী মহুৎতা লম অসি মমিং ওনবিরো হায়না Court অসিদা application থারক্নে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C Keirao Bitra Court অসিনা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুংইন্না Case মখা চখগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, Keirao Bitra,
Imphal East, Manipur

SL/Jeena/06

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
KEIRAO BITRA, IMPHAL EAST : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 187/SDC/KBT, *Dated the 28/08/2026*

Md. Riyajuddin S/O Md. Idris. .....*Petitioner*

-Versus-

Late Bannajan Bibi D/O Babu of Usup. ...*Opposite Party/Parties*

**/ NOTICE**
Keirao Bitra, the *28/08/2026*

Under Section-46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি- Imphal East Keirao Bitra Circle গী Patta No. 300 (অরিবা) 409/814 (অনৌবা) গী Village No. 49-Urup, C.S. Dag No. ---- an area of 0.07000 acres of Phourel Class লম অসিগী Pattadar Bannajan Bibi অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মচানুপীনা মমাগী মহুৎতা লম অসি মমিং ওনবিরো হায়না Court অসিদা application থারক্নে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C Keirao Bitra Court অসিনা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুংইন্না Case মখা চখগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, Keirao Bitra,
Imphal East, Manipur

SL/Jeena/06

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
KEIRAO BITRA, IMPHAL EAST : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 185/SDC/KBT, *Dated the 28/08/2026*

1. Humila Sagolsam D/O Late Sagolsam Ibotombi Singh of Bamolkamopu Awang Leikai . .....*Petitioner*

-Versus-

Late Shagolsem Ibotombi Singh S/O (L) Yaimachouba Singh of Bamonkompu Awang Leikai ...*Opposite Party/Parties*

**/ NOTICE**
Keirao Bitra, the *28/08/2026*

Under Section-46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি- Imphal East Keirao Bitra Circle গী Patta No. 8 (অরিবা) 195/440 (অনৌবা) গী Village No. 46-Bamonkampu, C.S. Dag No. 72/467 an area of 0.12000 acres of Ingkol Class লম অসিগী Pattadar S. Ibotombi Singh অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মচানুপীনা মপাগী মহুৎতা লম অসি মমিং ওনবিরো হায়না Court অসিদা application থারক্নে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C Keirao Bitra Court অসিনা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুংইন্না Case মখা চখগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, Keirao Bitra,
Imphal East, Manipur

SL/Jeena/06

